# সিরিয়াদা শান্তিগী ৱারী মায় পাক্তবদা মেদিয়েটরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে



*বৈরুট, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* সিরিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা মুক্নবগী ফিভম অসি ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা লৈবাক অদুদা শান্তি হজ্জিলহন্নবা জেনেভাদা য়ানদ্রিবা মায়কৈ অনি ৱারী শানহনবগী খোঙথাং খুমাং চাওশিনবা ঙমদবদগী য়ু এন মেদিয়েটর লাখদার ব্রাহিমিনা সিরিয়াগী মীয়ামদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

অরোইবা আশা থল্লগা য়ানদ্রিবা মায়কৈ অনিমক্কা জেনেভাদা য়ু এন মেদিয়েটর অসিনা সিরিয়াগী ৱাথোক লোইশিন্নবা কুপ্না খন্নখিবনি। খ্বাইদগী অপনবা ওইরিবসি গভর্নমেন্টনা ত্রাঞ্জিসনেল গভর্নিং বোদি অমা শেম্বদা য়ানিংদবা অসিনা ওইরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি ইং ২০১১ গী মার্চ থাদগী হৌরকখিবা মুক্নবগী ফিভম অসিনা মীওই লাক্ষ অমা হেন্না শিহনখিবগা লোয়ননা মীকোক মিল্লিয়ন ৯.৫ বু ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখিবনি।

ঙসি অয়ুক অরোইবা ওইনা শানখিবা ৱারী অদু মিনিট ২৭ খক চথখি। অদুবু ঙসিগী মতুংদা পাউমীশিংগা উনবা থোক্লকপদা ব্রাহিমি য়াম্না চোকথনা উখি হায়না পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

শানখিবা ৱারী অসি থোইদোক্লবা অফবা মহৈ অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মদুগীদমক সিরিয়াগী মীয়ামদা এপোলোজি পীরি হায়নসু মহাক্না থমখি।

অদুবু মথংগী থেঙ্খ্ৱাং ওইনা ৱারী শান্নবা এজেন্দা অমা খন্নবদদি মায়গৈ অনিমক্না য়াখি। অদুমকপু লৈবাক অদুদা থোক্লিবা ভাইওলেন্স অমদি টেরোরিজম লোইশিন্নবা অহুমশুবা থেঙ্খ্ৱাং ওইনা নোংমা চুপ্না ৱারী শাননবা মহাক্না হৌদোকপদা গভর্নমেন্টনা য়াখিদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুগা ত্রাঞ্জিসনেল গভর্নমেন্ট অমা লিংবগী মতাংদা গভর্নমেন্টনা ৱারী শারোই হায়না সিখাং খাংখিবদগী ওপোজিসনদা গভর্নমেন্টনা ত্রাঞ্জিসনেল গভর্নমেন্ট অসি শুকপাম পামদ্রবরা হায়বগী চিংনবা ফাওহনখি হায়নসু মহাক্না মচা খাইনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি প্রসিডেন্ট বাসর অল অসাদ অমদি মহাক্কী তুংইনবা কাংবু অমত্তা য়াওদবা ত্রঞ্জিসনেল গভর্নমেন্ট অমা লিংবগী ৱাফম অসি ওপোজিসননা মতম কুইনদগী তকশিন্দুনা লাকপা দিমান্দ অমনি।

অদুবু মতম পুন্নমক্তা ৱাফম অসিমদি গভর্নমেন্টনা রিজেক্ট তৌরকখিবনি। অদুগা অসাদনা লৈঙাক শক্তি থাদোকপগী ফিভমদি শুক্লে লৈরোই হায়নসু গভর্নমেন্টনা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

মখোয়না টেরোরিষ্ট হায়না লেপথোকপা লুপশিংবু মায়োক্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু গভর্নমেন্টনা চেংনা ফিরেপ লৌদুনা লাকপনি। মখা তারদুনা ব্রাহিমিনা হায়বদা, নাকল অনিমক্না মশা মশাগী বেজশিংদা হল্লগা মরুওইবা মীওইশিংগা অমুক খন্ন–নৈনরুবা মথৌ তারি। অদুগা শান্তিগী থৌরাং অসি মখোয়না মখা চথবা তশেংনা পাল্লিব্রা হায়বদু খন্নদুনা লেপথোক্লরুবা মথৌ তারি হায়নসু মহাক্না থমখি।

অহুমশুবা থেঙ্খ্ৱাংগী ওইনা শান্নগদবা ৱারীগী মতাংদদি মহাক্না অকক্লবা তারিক অমত্তা পনখিদে। অদুবু রিবেল ফাইটরশিংনদি য়ু এননা লুচিংবা হ্যুমেনিটেরিয়ান ওপরেসন অমা সিরিয়াগী হোমস সিটিদা লাকপা য়াহনখিবনি হায়বগা লোয়ননা শান্নখিবা ৱারী অসিগী খ্বাইদগী অফবা ফলদি মদুনি হায়নসু ব্রাহিমিনা ফোঙদোকখি।

# চরাংনবা মরক্তা টর্কিস এম পি শিংনা জুদিসিয়েল রিফোর্ম পাস তৌখ্রে



*ইষ্টানবুল, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* টর্কিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা জুদিসিয়েল বোদি বু রিফোর্ম তৌনবা য়েৎননিঙাই ওইরবা থৌরাং অমা টর্কিগী এম পিশিংনা ঙসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা চরাংনবা মরক্তা বিল অদু পাস তৌখ্রে।

গভর্নমেন্টনা পাল্লিবদি ঐচ এস ৱাই কে হায়বা সুপ্রিম বোর্দ ওফ জজেজ এন্দ প্রোজিক্যুটর্স হায়বা বোদি অসি জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী কন্ট্রোল মখাদা থম্বনি। বিল অসিগী মতাংদা কা হেন্না খোইশাওনবা মরক্তা ঙরাং অহিং চুপ্পা অকনবা দিবেট চত্থখি। মদুদা শাওনবা হেনগৎলকপদগী ওপোজিসন এম পি অমদা খুৎ থাদুনা মনাতোনদা শোকহনখি। মমাং থাদা জুদিসিয়েল বোদি অসিনা হায়খিবদা থৌরাং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবনি হায়বগা লোয়ননা মসিনা বোদি অসিগী নিংতম্বা হন্থহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বিল অসি প্রাইম মিনিষ্টর রিসেপ তায়িব এর্দোগানগী এ কে পার্টিনা পুখৎলকখিবনি। দিবেট চত্থরিঙৈ মনুংগী মতাং অমদা ইন্নবা, চিংনবা থোক্লকপদগী ওপোজিসন রিপব্লিকান পিপলস পার্টি (সি ঐচ পি) গী এম পি অমা মনাতোন্দা শোকখি।

ওপোজিসন নেস্নেলিষ্ট মুভমেন্ট পার্টি (এম ঐচ পি) গী এম পি অমা ওইরিবা ওজকান য়েনিসেরিনসু বিল অসিবু ক্রিটিসাইজ তৌরদুনা হায়খিবদা শেঙ্গা থুমজাগা মরী লৈনবা ইনক্বারিশিং পন্থহন্নবা বিলনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি এর্দোগানগী মপাং ওইরিবা মীওই কয়ামরুমবু অচৌবা করপসনগী ইনক্বারি অমা চত্থবদা ফাজিনখিবা মতুংদগী রিফোর্ম অসি লাকখিবনি।

এর্দোগানগী মপাংশিং অদুবু পাখ্রবা মতুংদা গভর্নমেন্টনা পুলিস পার্সোনেল চা কয়ামরুমসু থবক থদংখিবনি। হৌজিক টর্কিদা এর্দোগান অমদি মহাক্কী হান্নগী এলাই ফেটুল্লাহ গুলেনগা কন্না য়ানদবা অমা থোক্তুনা গুলেন অসি হৌজিক মশানা য়ু এসতা লোই থাজদুনা লৈরিবা মীনা য়াবা লুচিংবা অমনি। টর্কিগী জুদিসিয়েল রিফোর্ম অসি হৌজিক হৌজিক য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী চংনরিবা পথাপশিংগা মান্ননা লৈবাক অসিগী ৱায়েল বিচারগী কাংলোনসু চখনবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা কন্না তকশিল্লিবা মরমনা য়াম্না অরুবা ইসু অমা ওইরিবনি।

টর্কিনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদা য়াওনিংলবসু য়াওশিন্নবগী ৱারী ৱাতাইদি খুমাং চাওশিনবা ইঙম ঙমদনা লৈরক্লি। ইস্লামিষ্ট ৱাখল্লোনদা মরু মরা তাখ্রবা এর্দোগানগী এ কে পার্টি অসিনা ওইরিবা ফিভম অসি মথঙ্গা ওন্থোক্লগা আর্মদ ফোর্স অমদি জুদিসিয়ারিবু পুংশেম শেমদোকপা পাল্লি।

# ক্যুবানা য়ু এস কী কন্সুলার সার্ভিসশিং মথৌ লেপহনখ্রে



*হবানা, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* অমেরিকাগী বেঙ্ক অমনা মসিগী ফেসিলিটিশিং ৱিঠদ্রো তৌনবা ফিরেপ লৌরকপদগী ক্যুবা গভর্নমেন্টনা হায়বদা য়ু এসকী কন্সুলার সার্ভিসশিং মথৌ তৌহনখিদ্রে হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এন্দ টি বেঙ্কগী মহুৎ অমা ফংদ্রিবমখৈদি ক্যুবানা অনৌবা পাসপোর্ট অমত্তা রিন্যু তৌররোই অদুগা বিজাগী থবকসু লেপ্লগনি হায়না লৈবাক অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা বেঙ্ক অসিনা হায়বদদি, মসিগী বিজিনেসকী ওইবা মরমশিংনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ক্যুবা গভর্নমেন্টকী অনৌবা খোঙথাং অসিনা য়ু এসতগী থা খুদিংগী ওইনা ক্যুবাদা চৎপা মীওই কয়ামরুম অথিংবা পীবগা লোয়ননা ক্যুবাগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা নংহল্লবা য়ারি।

নিংশিংবা য়াবদি ইং ১৯৬১ দা য়ু এসনা কম্যুনিষ্টনা চলাইবা ইথৎ লৈবাক অসিগা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা মরী অমত্তা লৈনখিদবনি। মদুগী মথং চহিদা য়ু এসনা ক্যুবাদা ইকোনোমিক এম্বার্গো অমা থমজিনখিবনি।

লৈবাক অনিগী ওইবা কন্টেক্টশিং তৎপদগী কন্সুলার সার্ভিসতি হৌজিক ৱাশিংটনগী ক্যুবান ইন্টরেষ্ট সেক্সননা থৌদাং পুরগনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ক্যুবা গভর্নমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা অনৌবা বেঙ্ক অমা ফংবা ঙমদবদগী য়ু এসনা ত্রেদ এম্বার্গো অসি থল্লকপনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মমাং চহিদসু এম এন্দ টি বেঙ্কনা লাউথোকখিবা ৱারোল অমদা য়ু এসতা পব্লিক হোলিদে ওইরিবা ফেব্রুৱারী ১৭ তগী দিপোজিৎ অমত্তা লৌশিল্লরোই হায়না লাউথোকখ্রবনি।

অদুবু ৱাশিংটনদা লৈবা ক্যুবান সেক্সনগী চেরোল অমদা হায়বগী মতুংইন্নদি ওইরিবা ফিভম অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি য়ু এসতগী থা খুদিংগী মীওই লিশিং ৪০ রোমগী চাংচৎতা ক্যুবাদা চৎলি। অদুগা মখোয় অয়াম্বনা ক্যুবান–অমেরিকান ঙাক্তনি হায়নসু ময়ামিদা বেজ তৌবা হাবানা কন্সল্টিং গ্রুপনা ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা ক্যুবা মচা ওইদবা অমেরিকাগী মীওইশিংসু কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রামশিং শরুক য়ানবগীদমক্তদি ক্যুবাদা লাকপা য়াহল্লি।

# লিবিয়াদা ফাদোক ৯২ জেলদগী চেনখ্রে

*ত্রিপোলি, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ লিবিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবদা লৈবা টাউন অমদা লৈবা কৈশুমশঙ অমগী ঙাকশেল থৌরাং শোনবদগী কৈশুমশঙ অদুদগী ফাদোক ৯২ নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।*

*মুঅমর গাদাফিগী লৈঙাক ইং ২০১১ দা ইন্থুখিবা মতুংদগী লিবিয়াদা সিক্যুরিটিগী অহোবা চাওনা লৈরকখিবনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তসু লিবিয়াগী কোনুং ত্রিপোল্লিদগী ফাদোক ৫৪ নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।*

# কলম্বীয়াদা গোল্ড মাইনর ৫ শিরে

*বোগোটা, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* কলম্বীয়াগী খা নোংচুপ্লোমদা লৈবা আইননা য়াদনা চলাইবা ওপন এয়ার গোল্ড মাইনিং পিট অমদা লৈবাক্কী লৈপল অমা নোং চোৎমনবদগী নিংখাইরকপদা মাইনর ৫ শিখিবগা লোয়ননা ১২ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রেইদ ক্রোস ৱাঙাংলোই সেসুর উরুৱেননা হায়বদা, নারিনো ষ্টেটকী সান্তা বারবারাদা ইস্কৱান্দেগী ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াদা হেল্লিকোপ্টর তানবা হোৎনবদা নোং কন্না চুবদগী য়াখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হেল্লিকোপ্টর অদু অশোকপশিংবু পুনবা লাকখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। নারিনো সিক্যুরিটি চিফ ওইবা জৈমেরোদিগ্রেজনা হায়বদা, চত্থরিবা অসি আইননা শুকয়া য়াদনা চত্থবা মাইনিং থৌরাংনি। মাইনিং অসি কনানা চত্থবনো হায়বদি ফোঙদোক্ত্রবসু রোদ্রিগেজনা হায়বদা মফম অদুদা রিভোলুস্নরি আর্মদ ফোর্সেস ওফ কলম্বীয়ানা মপাঙ্গল কনবা মফমনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ভেনিজুয়েলাদা ৱাকৎলোইশিং তানখাইখ্রে



*কারাকাস, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* ভেনিজুয়েলাদা গভর্নমেন্টপু য়াদবগী ৱাকৎ খোঙজংশিং চংশিল্লকপা নুমিৎ হুম্নি শুজিল্লকপগা লোয়ননা কারাকাসকী মরুওইবা হায়ৱে অমদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবা মহৈরোইশিংবু ভেনিজুয়েলাগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ৱাটর টেঙ্ক অমদি টিয়ার গ্যাস কাপশিন্দুনা তানখাইখ্রে হায়রি।

ৱাকৎলোই ৫০০ রোমনা মমাং নুমিৎ নিনিদা হায়ৱে অসিবু থিংজিনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা পুলিসকা গভর্নমেন্টপু য়ানিংবা মিলিসিয়াশিংগা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা মহৈরোই অনিগী মতাংদা অচুম্বা বিচার চথৌ হায়না মখোয়না দিমান্দ তৌরিবনি।

ঙরাং অহিং অথেংবদা পুলিসনা তানখাইখ্রবা মতুংদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবা মহৈরোইশিং অদু অনকপদা লৈবা প্লাজা অমদা অমুক পুনশিন্দুনা পুলিসতা নুঙনা থাবা হৌরকখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। ভেনিজুয়েলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা মহৈরোইশিং অসিবু টেলিভিজনদা ঙাংবা স্পিচ অমদা থিনা চৈখিবনি। হায়ৱেশিংদা অকাই অতোই থোকহনবশিংদি মহাক্না য়াবা ঙল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

তানখাইবা থৌদোক অদুদা মহৈরোই অমত্তা ফিভম লুনা শোকপদি য়াওখিদে। য়ুমশকৈশাদা শিখিবা মহৈরোই অনি অদুদি ঙসি অয়ুক লৈরোন চনখ্রে হায়রি।

# ইম্রান খানগা টালিবানগা ৱারী তোক্তনবা খঙহনখ্রে

*লাহোর, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* পাকিস্থান গভর্নমেন্টনা টালিবানগা শান্তিগী ৱারী শানবা হোৎনরিবা অদু লেপ্পা তারবদি মীহাৎ মীপুনগী থবক হেনগৎলক্তুনা মিলিটরি ওপরেসনশিং লেপ্তুনা চত্থনবগী মরম ওইরকপা য়াই হায়না ক্রিকেট শান্নরোই ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা চংলকখিবা ইম্রানখাননা ফোঙদোকখ্রে।

শান্তিগী থৌরাংদা তাঞ্জা অমুক্তংদি লৌনবা হোৎনসি নত্রগদি মিলিটরি ওপরেসন অসিনা অরোইবা উপাই ওইরকপা য়াই হায়নসু পাকিস্থান টেহরিক–ই–ইন্সাফকী মকোক অসিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

অৱাং থংবা ৱাজিরিষ্টানদা মিলিটরি ওপরেসন হেক হৌরুবদা শান্তিগী ৱারী মায় পাকপগী খুদোংচাবা চাদা ৪০ হেন্না মাংখিগনি হায়বা ৱাফম অমা নৱাজ সরিফনা মঙোন্দা খঙহল্লক্লে হায়নসু খাননা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনদি খানগী মমাংদা সরিফনা আর্মি চিফকী ৱাফম কোট তৌদুনা হায়রম্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট নেগোসিয়েটরশিং অমদি টালিবাননা শেম্বা কম্মিটি অসিনা চহি ১০ হেন্না চংশিল্লক্লিবা ইন্সর্জেন্সি ঈহৌ অসি লোইশিন্নবা পান্দম তৌদুনা অহানবা ওইনা ৱারী শাবা হৌখ্রবনি।

মসিগী মতাংদা টালিবানগা ৱারী মপুং ফানা চত্থবা য়ানবা ৱাখল্লোনদা গভর্নমেন্টনা পাকিস্থানগী ত্রাইবেল তাবা লমদমশিংদা মীয়ামগা নকশিন্নবা য়ানবা শেল থাদবা চিনরোইদবনি হায়নসু খাননা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা গভর্নমেন্টনা মিলিটরি ওপরেসন হৌরুরবদি মমৈথংদা টেরোরিজম হায়বসিনা লোইশিনবা য়াদনা লৈহৌগনি। ওপরেসন অদুদা শিখিবশিংগী অঙাংশিংনা অমুক নোংমৈ পায়রক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দোনেসিয়াগী এয়ারপোর্ট ৩ নৌনা হাঙদোকখ্রে



*জাক্রাটা, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* ইন্দোনেসিয়াগী মরুওইবা ইথৎ অমা ওইরিবা জাভাদা মাউন্ট কেলুট মৈগী চীং পোকখাইরকপদগী উৎকী মপৈশিংনা অপনবা থোকহন্দুনা থোঙ লোন্দুনা লৈরকখিবা এরোপ্লেন তাফম অহুম নৌনা অমুক হাঙদোক্লে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মৈগী চীং পোকখাইবা অদুদা মীওই অহুম শিবগা লোয়ননা লিশিং কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নরুরবনি। মালাং, ইষ্ট জাভা অমদি সেন্ত্রেল জাভাগী সেমরাংদা লৈবা এয়ারপোর্টশিং নৌনা হাঙদোক্লে। অদুবু মরি অমদি হৌজিকসু থিংদুনা লৈরি হায়না ত্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই বাম্বাং এর্ভাননা ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা ওঠোরিটিশিংনা মৈগী চীং অসিদগী কিলোমিটর ১০ গী অকোইবদা লৈবা মফমশিং খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না লাউথোকপদগী ভিলেজর লিশিং কয়ামরুম ইথৎ অসিগী নোংপোক্লোমদা লৈবা ইভাকুয়েসন সেন্টরশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি। মৈগী চীং মাউন্ট কেলুদ অসি হৌজিক্তি পোকখাইবা লেপখিবগা লোয়ননা পোকখাইফম মচিন অদুদগী কিলোমিটর অহুম্লোম ৱাংবা অঙৌবা মৈখু কারি।

এর্ভাননা হায়খিবদা ভোলকেনিক এস এদভাইজরি সেন্টরনা হৌজিক ইন্দোনেসিয়াগী নোংথক্কী শরুকশিং উৎ অমত্তা লৈত্রে হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

নোংপোকথংবা জাভাগী জুৱান্দা ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টসু ঙসি অহিং অথেংবদা হাঙদোক্লবা য়ানা লৈরি। অদুগা জাভাগী নোংচুপতা লৈবা বান্দুং এয়ারপোর্টতি হয়েং হাঙদোক্কনি হায়নসু এর্ভাননা ফোঙদোকখি।

নেস্নেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিগী ৱাঙাংলোই সুতোপো নুগ্রোহোনা ঙসি অয়ুক হায়খিবদদি মৈগী চীং অসি হৌজিক ফাওবা উৎ কামথোক্লিবা মরমনা ত্রান্সপোর্ট ওপরেসনশিং লেপহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এয়ারপোর্টশিংদা কুপশিন্দুনা লৈরম্বা উৎকী শরুকশিং ওপরেটরশিংনা শেংদোকপগা লোয়ননা মহৌশাগুম্না এরোপ্লেন পাইথোক পায়শিন য়ারৱা হায়বদু ওঠোরিটিশিংনা য়েংশিল্লবা ঙাইদুনা লৈরে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। জাক্রাটাগী এয়ারপোর্ট অনিদি হান্নদগী হাঙদুনা লৈরকপনি হায়নসু ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখি।

# সি এ আরদা পিছ কিপ্পরশিংনা মিলিসিয়াশিংবু খুৎলায় পায়হন্দনবা থৌরাং পায়খৎখ্রে

*বাঙ্গুই, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ* হাৎন–শুনবগী থৌদোকশিংনা কাং–খোং চাইহল্লবা সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সি এ আর) গী কোনুং বাঙ্গুইদা ফ্রেন্স অমদি অফ্রিকান পিছকিপ্পরশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা খুৎলায় লোৎশিনবা য়াওব্রা হায়না থিগৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী বাঙ্গুইগী অকোইবা মফমশিংদা চত্থখিবা ওপরেসন অদু মরুওইনা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংবু লৈবাক্তগী তাম্থোকখিনবা এটেক চত্থরিবা খৃষ্টান মিলিসিয়াশিংগী য়ুমশিংদনি। চয়োল খরগী মমাংদা খৃষ্টান মিলিসিয়াশিংনা মুস্লিমশিংবু লৈবাক অসিদা লৈহল্লোই হায়না অকনবা ৱাফম অমা ফোঙদোকখিবা অদুদগী চংশিল্লকপা ওপরেসন অসিদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপসু ঙমখি হায়রি।

ময়ুম ময়ুমদা খুৎলায় লোৎশিল্লম্বা মীওইশিং মশক শেংনা খঙদোক্লগা পুলিসতা শীন্নরগনি হায়না অফ্রিকান য়ুনিয়নগী এম আই এস সি এ মিসনগী মেম্বর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এন্টি বালাকা হায়নসু খঙনবা মিলিসিয়া লুপ অসি মুস্লিমশিংগী সেলেকা রিবেলশিংনা হাৎখিবশিংগী লম্মন খুম্নবা শেমখিবনি হায়রি।





## SANALEIBAK SUDOKU

Prepared by : ROGER -A

SANALEIBAK SUDOKU-154

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | | | |
| | | 1 | | | 6 | | 2 | |
| | | | 7 | 8 | 1 | | 5 | 3 |
| | | | 9 | | 5 | | | |
| | | | | | | | 9 | |
| | | 2 | | 6 | | | 8 | 7 |
| | | | | 5 | 8 | | | |
| | | 8 | 1 | | 9 | | 3 | 6 |
| 4 | | 9 | | | | | | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 5 | 6 | 4 | 3 | 8 | 7 | 1 | 2 |
| 2 | 4 | 1 | 9 | 7 | 6 | 8 | 5 | 3 |
| 7 | 8 | 3 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |
| 6 | 7 | 9 | 8 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 |
| 5 | 2 | 4 | 6 | 9 | 7 | 3 | 8 | 1 |
| 1 | 3 | 8 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 7 |
| 3 | 6 | 2 | 7 | 8 | 5 | 1 | 4 | 9 |
| 4 | 1 | 5 | 3 | 6 | 9 | 2 | 7 | 8 |
| 8 | 9 | 7 | 1 | 2 | 4 | 6 | 3 | 5 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*